
## কমদৌনা ওইরকখিবগে ? মায় পাকখ্রবা মীওইশিং... – হেনরি ফোর্দ –




ফোর্দ মোটোর কম্পেনি লিংখৎখিবগীদমক্তা হেনরি ফোর্দ অসি মমিং চৎলি। ফোর্দ অসি ফোর্দ, লিঙ্কন, মর্ক্যুরি, ভোলভো, মাজদা অমসুং লেন্দ রোভরগুম্বা ব্রান্দশিং য়াওনা মালেমগী কার খ্বাইদগী য়াম্না পুথোকপশিংগী মনুংদা অমনি। এসেমব্লি লাইন শীজিন্নরগা কার শাবদা ফোর্দনা লময়ানবা ওইখি। মসিনা মহাক্কী কম্পেনি অদুবু অহোংবা মমলদা কার মশিং য়াম্না শাবা ঙমহল্লি। অহানবা ওইনা অমেরিকাগী এভরেজ ইমুংনা কার লৈবা ঙমখি।

হেনরি ফোর্দ কুমজা ১৮৬৩ গী জুলাই ৩০দা গ্রীনফিল্ড টাউন, মিচিগনদা পোকখি অমসুং ষ্টেট অসিমক্কী দিয়রবোর্নদা কুমজা ১৯৪৭কী এপ্রিল ৭তা থৱায় থাখি।

হেনরিগী মপা লৌমী অমনি অমসুং মপানা মহাকপু ইমুংদুগী ফার্ম য়েংশিনহনবা পামখি। তৌইগুম্বসুং হেনরিনা ফার্মগী থবকপুদি মেছিনদনা হেন্না থৱায় য়াওদুনা পোৎচৈ শাবনা হেন্না পামখি। মশাগী চহী ১৬ শুবদা হেনরিনা ময়ুম থাদোক্তুনা দিত্রোইটতা চৎখি অমসুং এপ্রেন্টিস মেছিনিষ্ট অমা ওইখি। ফোর্দকী মচিন-মনাওশিং নুপা অনী অমসুং নুপী অনীনি।

হেনরি ফোর্দনা এসেমব্লী লাইন পুথোকখি হায়নৈ। মসিনা মেন্যুফেকচরিংগী থবক্তা পুংওন ওনবা অমা লাকহনখি। এসেমব্লী লাইন শীজিন্নবনা প্রদক্ত অমা মতম অমত্তদা পুল্লপ শাবগী মহুৎতা মমল ইচঙ চঙদনা মশিং য়াম্না শাবা ঙমহল্লি। হেনরি ফোর্দনা মসিগী ৱাখল্লোন অসি ওটোমোবিলদা এপ্লাই তৌদুনা মতমদুদা চৎনবী ওইরবা প্রদক্সনগী থবক্তগী মমল য়াম্না হন্থনা কার মশিং য়াম্না পুথোকপা ঙমখি। ফোর্দনা কার এসেমব্লী লাইনদা তৌরিবশিং অদুনা অতৈ অতৈ প্রদক্টশিং মশিং য়াম্না পুথোকপদা এসেমব্লী লাইন তঙাইফরক্তে হায়বসি উৎখি।

মোদেল টি ফোর্দ- মসি ফোর্দনা এসেমব্লী লাইনগী প্রোসেস শীজিন্নরগা শাখিবা অহানবা কারনি। মসিনা পোত্থোক পুথোকপগী মওং কয়াদা অওনবা চাওনা পুরকখি। মরুওইনা পুংওন ওনবা অমা লাকহনখি। অসুম্না শাবা কারশিং অদু অতৈ কারশিংগা চাংদম্নবদা মমল য়াম্না হোংবগা লোয়ননা থৌবা অমসুং শেন্বসু লাইখি। অসিগুম্বা ফীভমশিং অসিনা অমেরিকান মিদ্দল ক্লাসকী ইমুংশিং মথুম-মরাং হৌহনখি। মোদেল টি কার মিলিয়ন ১৫ হেন্না শাখি অমসুং কুমজা ১৯১৮ য়ৌরকপদা অমেরিকাগী কার অপুম্বগী চাদা ৫০দি মোদেল টি কারশিং ওইখি। হেনরিগী মরমদা খরা - মহাক ইদিসন ইলুমিনেসন কম্পেনিদা থোমাস ইদিসনগা উনখি অমসুং মফমদুদা এঞ্জিনিয়র অমা ওইনা থবক তৌখি।

ওটোমোবিল কম্পেনিদা অহানবা খুৎমাবদা মহাক থোমাস ইদিসনগা পুল্লগা দিত্রোইট ওটোমোবিল কম্পেনি লিংখৎলি।

কুমজা ১৯১৮ দা মহাক য়ু এস সিনেট মীখলদা মীরেপ ওইখি, তৌইগুম্বসুং মায়থীখি।

## মালেমগী অঙকপশিং

## প্যুয়েৰ্টো-প্রিন্সেসা সবটরেনিয়ন রিভর নেসনল পার্ক



খাং নোংচুপ থংবা ফিলিপিন্সকী প্যুয়েৰ্টো-প্রিন্সেসা সবটরেনিয়ন রিভর নেসনল পার্কপু মালেমগী মরু ওইবা বাইওদাইর্ভসিটি কঞ্জর্ভেসন সেন্টর অমা ওইনা লৌনরি।

এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী মরু ওইবা উমং খরা মফম অসিদা লৈ। কেপিটেল সিটি মনিলাগী খা নোংচুপ্তা কিলোমিটর ৩৬০ লাপ্না লৈবা মফম অসিদা লৈরিবা শুরুংশিং থোইদোক হেন্দোক্না নীংথিজবা মরম্না মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই কয়ানা য়েংবা লাক্লরি।

চাওরাক্না হেক্তর ২২,২০২ পাক চাওবা মফম অসিদা কিলোমিটর ৮.২ শাংবা লৈনুংগী তুরেল অমা লৈ। তুরেলগী ঈশিংনা লৈনুং ফাওনা চেল্লগা সমুদ্রদা তিনখি। তোঙান-তোঙানবা মখলগী পান্থী অমদি থৱায় পানবশিং লৈবা নেসনল পার্ক অসি য়োকখৎনবগী পান্দমদা কুমজা ১৯৯২ দা নেসনল ইন্টিগ্রেটেদ প্রোটেক্টেদ এরিয়া সিষ্টেম (এন আই পি এ এস) এক্ট চৎনহনখি।

প্রোটেক্টেদ এরিয়াজ মেনেজমেন্ট বোর্দ (পি এ এম বি) গা তান্নরগা নেসনল পার্ককী মফম পুম্নমক ঙাক-শেন্নবা থৌরাং কয়া লোখৎলি। মহৌশাগী নীংথিজরবা কয়ানা লৈতেংবা মফম অসিদা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী লম কোয়বা কয়া লাক্লবা মরম্না অহেনবা ষ্টাফ কয়া হাপচিন্দুনা নেসনল পার্ককী মতাংদা ট্রেনিং পীবগী থবক চখুরি।

চাওখৎলকপগী মতুং ইন্না শেমগৎ-শাগৎলকপগী থৌরাংশিং লৌখৎলকপা মতমদা নেসনল পার্ককী শরুক খরা ফিভম শোকহল্লুরবসু হৌজিক্তি মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা মপুং ফানা অমুক শেমজিনবা ঙম্লে।

মী লাকপগী চাং হেনগৎলকপা মরম্না নোংমদা মীওই ৬০০ তগী হেন্না পার্ক মনুংদা চঙহনদ্রে। চহী খুদিংগী ৱাইল্ডলাইফ পোপ্যুলেসন সর্ভে চখদুনা থৱায় পানবশিংদা টুরিজম্না অমাঙ-অতা থোকহন্দনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলি।

## ব্যুটি : চহী ৪০ শুরক্লবা নুপীশিংসু অমুনবা অৱাথবীনা হীদাক ওইনা শীজিন্নদুনা মায়থোঙ মকা লাম্না ফজনা লৈবা য়াই



চহী ৪০ শুজল্লক্লবা নুপীশিংগী মায়থোঙদা মাইহিং কারকপা, মায়গী উনশা খুইজিল্লকপা অমদি মায়গী উনশগী সেল মপাঙ্গল শোন্থরকপনা মায়গী ফজবা শক্তম মাঙশিলকই। অদুবু চাউখৎলবা মোর্দনগী তাইবং অসিদা তোঙান-তোঙানবা মেদিকল ট্রিটমেন্ট অমদি অনা-লায়েং কয়াগী মতেংনা মায়থোঙবু ফজহনবা ঙন্মী। তৌবতবু অদুগুম্লবা ট্রিটমেন্টশিং য়াম্না তাংবনা মরম ওইদুনা ইচম-চম্বা শেন্থোক ৱাংনা লৈজদবা ইমুংশিংগী নুপীশিংনদি মদুগী খুদোংচাবা লৌবা ৱানা থোক্লরি। অদুবু য়ূমদা য়াম্না লায়না ফংবা পোৎশক খরগী মতেংনা অতাংবা ট্রিটমেন্টশিং অদু য়াওদনা মায়থোঙ তগৎ-তগৎ তেক্না ফজনা অঙাংগী মায়থোংগুম ফজনবা ঙমগনি। শুপ্নগী চাং নাইনা মখাদা হায়রক্কদৌরিবা পোৎশকশিং শীজিন্নরবদি কনা অমতনা অদোমগী চহী য়ামশিল্লকপনা মায়গী ফজবা মাংলকপনি হায়বা খঙবা ঙম্লোই।

অৱথবী চাবা হকচাংগীসু য়াম্না কান্নবা ওই লোয়ননা মায়গী হিদাক ওইনা শীজিন্নবসু য়াম্না কান্নে হায়বসি কনাগুম্বা খরদি খঙলমদবসু য়াই। হকচাং কা হেন্না লুমহনদনবা অমদি পুক শেংনা থম্নবা হোৎনবদসু অৱাথবী চাবনা য়াম্না কান্নবা পীবা হায়বদু ওই। লোয়ন-লোয়ননা শুপ্নগী হকচাংদা কান্নবা কয়া পীবা খক নত্তনা অৱাথবীনা চহী য়ামশিল্লকপনা অদোমগী মায়গী উনশা খুইজিন্দুনা শকফম তাইফেৎ তাহল্লম্বা অদু অৱাথবীনা চহী নৌরিবী নুপী অমগী মায়থোংগুম্না ফজহনবদা য়াম্না চাউনা মতেং ওইগনি। অদোম্না চহী য়ামশিল্লক্লে মায়থোং ফজবা মাংখ্রগনি য়াররোই হায়না ৱানা লেল্লিবা অদু ৱাফম থোক্তে। মদুগীদমক অদোম্না অমুনবা অৱাথবী ময়াম অমগী তঙাইফদবা লৈ। অৱাথবী হায়বসি য়াম্না লায়নসু ফংবা অমদি য়াম্না তাংবা হৈ অমসু নত্তে।

অমুনবা অৱাথবীগী মরুশিং লৌথোক্তুনা ঈশিংদা অমুনবা অৱাথবী অদু চামথোপীদুনা অমুনবা অৱাথবীশিং অদুগী পেক শেমবিয়ু। অৱাথবী অমুনবগী শেল্লবা পেক অদু মায়থোংদা তপ্ন-তপ্না তৈবিয়ু। মদুগী মতুং পুংখায়মুক লৈরবা তুং য়াম্না ফজনা কংখ্রবা মতুংদা য়াম্নসু শাদবা ফোং-ফোং শাবা ঈশিংদা মায় শেংনা চামথোকপিয়ু। য়াম্না ফজনা মায় তাথোক্লবা তুং মায়থোংদা ওলিভ ওইল খরা খুৎতা লৌদুনা মায়দা তৈরদুনা মালিশ তৌবিয়ু। মায়দা ওলিভ ওইল তৈদুনা মালিশ তৌবা মতমদা চেকশিনবিগদবা অমনা খুৎনা মায়দা মালিশ তৌবা মতমদা খুৎনা তপ্ন-তপ্না মখাদগী মথকলোমদা মালিশ তৌবিগদবনি।

মতৌ অসিগুম্না নুমীৎ খুদিংগী পেক শেমদুনা হায়রিবা মতৌ অদুগুম্না তৌরদুনা থা অমামুক লেপ্পা লৈতনা তৌবিরবদি অদোমগী মায়থোংদা শোয়দনা অহোংবা কয়া উবা ফংগনি। লোয়ননা অদোমগী মায়দা ঙৌনা ফজবা মকা লাম্বা মায়থোং হায়বা অদু ওইগনি।

## ꯃꯈꯥꯗ ꯍꯪꯊꯥꯕꯤ ꯇꯔ ꯊꯦꯡꯅꯕ ꯍꯪꯗꯣꯛꯄꯤꯌꯨ






Title: TELEPHONE
By: Enunganba Maibam
Class: PSK-II Sec: A Roll No. 21
School: Blooming Kid's Academy, Mayang Imphal



Title: A House Near the Hill
By: Olympia Maibam
Class: PREP-I Sec: A Roll No. 06
School: Blooming Kid's Academy, Mayang Imphal




Title: Loktak Lake
By: Maibam Telheiba
Class: II Sec: B Roll No. 07
School: Sainik Foundation School




Title: House
By: Tomthilnganbi Laishram
Class: KG Sec: Roll No. 6
School: Laisukol



Title: Dress
By: Nongmaithem Gitanjali Devi
Class: IV Sec: Roll No. 1
School: Royal Education Centre Nachou Potshangbam




Title: Fish Swiming in the Water
By: Dhanaraz Sharma
Class: III Sec: A Roll No. 30
School: Kids' Foundation




Title: House
By: Victoriya
Class: II Sec: D Roll No. 41
School: Kids' Foundation



Title: Scenery
By: Brainy Top
Class: II Sec: B Roll No. 30
School: Kids' Foundation




Title: Turtle
By: Alia Pangambam
Class: V Sec: A Roll No. 1
School: North Eastern English School



Title: Dolphins
By: Yohenbi RK
Class: I Sec: Roll No.
School: The Blossom School



Title: Spider-Man
By: Laishram Munish Meitei
Class: IV Sec. A Roll No. 46
School: S.R.H.S.S



Title: Global Warming
By: Manganthoiba Taorem
Class: I Sec: Topaz Roll No. 15
School: Kids' Foundation